# জি এস টি কাউন্সিলগী রেকমেন্দেসনননা মীয়ামদা কান্নবা ফংহল্লগনি : প্রাইম মিনিষ্টর



ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১১(এজেন্সী): জি এস টি কাউন্সিলগী রেকমেন্দে-সননা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা কান্নবা পীবগা লোয়ননা টেক্স লৌবগী মওং খূদোংচাহল্লগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখ্রে।

ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা মহাক্না হায়খি, মীয়ামগী খূদোচাগদবা মওংদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা অনৌবা থৌরাং কয়া লৌখৎনবা হোৎনরি। ইরাই নুমিৎতা জি এস টি কাউন্সিলনা তোঙান-তোঙানবা পোৎলম ১৭৮ দা লৌরম্বা টেক্সকী চাং হন্থহনখিবগা লোয়ননা রেষ্টোরেন্টতগী লৌবা টেক্সসু হন্থহনখ্রবনি।

জি এস টি কাউন্সিলনা তোঙান-তোঙানবা পোৎলম ১৭৮ দা লৌরম্বা টেক্স হন্থহনখ্রবা মতুংদা পি চিদম্বরমনা হায়খি, লৈঙাক্না মশাগী অশোয়বা খঙজরকপদগী পোৎলম খরদা কা হেন্না লৌরম্বা টেক্সকী চাং হন্থরক্লে। কোংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনসু জি এস টি কাউন্সিলগী ফিরেপ অদুবু থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা হায়খি, পোৎলম খরদা লৌরম্বা টেক্সকী চাং হন্থরকপনা মীচম মীয়ামদা চাওনা খূদোংচাবা ফংহল্লগনি।

অমরোমদা, কোংগ্রেসনা হায়খ্রে মদুদি, পার্টিগী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা অকনবা প্রেসর পীবদগী জি এস টি কাউন্সিলনা তোঙান-তোঙানবা পোৎলম ১৭৮ দা লৌরম্বা টেক্স হন্থহন্নবা থৌরাং লৌখৎলকপনি।

হীরম অসিগী মতাংদা কোংগ্রেস লুচিংবা পাৱন খেরানা হায়খ্রে মদুদি, রাহুল গান্ধীনা মরম ওইরগা লৈঙাক্না জি এস টি হন্থহন্নবা ফিরেপ লৌরকপনি। অদুমওইনমক মীচম মীয়ামদা অৱাবা পীদনবা কাউন্সিলনা মতুং তারকপদা মতিক চাবা থৌরাং কয়া লৌখৎপগী তঙাইফদবা লৈরি।

জি এস টি কাউন্সিলনা ঙরাং চোকলেট, চ্যুৱিং গম, শেম্পূ, দিওদোরেন্ট, শূ পোলিশ, দিটর্জেন্ট, ন্যুট্রিসন দ্রিঙ্কস, মার্বল অমদি কোস্মেটিকনচিংবা তোঙান-তোঙানবা পোৎলম কয়াদা লৌগদবা টেক্সকী চাং হন্থহন্নবা রেকমেন্দ তৌখ্রবনি। নৌনা লেপখিবা টেক্সকী চাং অসি নবেম্বর ১৫দগী চৎনবা হৌরগনি।

গুৱাহাটিদা পাঙথোকখিবা জি এস টি কাউন্সিলগী মীফম নাকোয়ননা বিহারগী ফাইনান্স মিনিষ্টর সুসিল কুমার মোদিনা পাউমীশিংদা হায়খি, শুপ্নগী পোৎলম ৫০ খক্তদা জি এস টিগী চাং চাদা ২৮ লৌরগনি।

রেষ্টোরেন্ট অমদি হোটেলশিংগী রেট চাদা ৫ দা লেপখিবগা লোয়ননা মপান্দা চাক চাবগী মমল হন্থরগনি। কা অমদা লুপা ৭,৫০০ লৌবা হোটেলশিংদগী লৌগদবা জি এস টিগী চাং চাদা ৫ ওইরগনি হায়রি।

চাদা ২৮ গী চাংদা টেক্স লৌগদবা পোৎলম ২২৭ লৈরি। ফিটমেন্ট কম্মিটিনা হায়রিবা পোৎলমশিং অদু শুপ্নগী ৬২দা হন্থহন্নবা থৌরাং লৌখৎলি। হৌজিক্তি চ্যুৱিং গম, চোকলেট, নুপীনা শীজিন্নরিবা অকে-অমৌগী পোৎলম, কোই ফানবদা শীজিন্নরিবা পোৎলম, দিওদোরেন্ট, ৱাশিং পাওদর, ফিশু সাপোন, গ্রেনাইদ অমদি মার্বলনচিংবা পোৎলমশিং চাদা ১৮ টেক্স লৌগদবা পোৎলমশিংগী মনুং চল্লে।

জি এস টি কাউন্সিলনা নীংশিংনিংঙাই ওইবা ৱারেপ অমা লৌখিবগা লোয়ননা শুপ্নগী পোৎলম ৫০ খক্তদা জি এস টিগী চাং চাদা ২৮ লৌরগনি হায়না সুসিল মোদিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

কাউন্সিলনা লৌখিবা ৱারেপ অমগী মতুংইন্না মীয়াম্না তোয়না শীজিন্নবা তোঙান-তোঙানবা পোৎলম খরদা জি এস টিগী চাং চাদা ২৮ লৌরম্বদগী চাদা ১৮ দা হন্থহনখিবনি।

লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা চৎনহনখ্রবা জি এস টিবু কোংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা করেম কথাইনবগী মওংদা 'গব্বর সিংহ টেক্স' হায়না ফোঙদোকখিবনি। অনৌবা টেক্স লৌবগী মওং অসিনা মীচম মীয়ামদা চাওনা খূদোংচাদবা মায়োক্নহল্লে হায়রি।

# দিল্লিগী চীফ মিনিষ্টর কেজ্রিৱালনা পায়খৎনবা থৌরাং তৌরম্বা ওদ-ইভন স্কিম তোকখ্রে



ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১১(এজেন্সী): নেসনল গ্রীন ট্রাইব্যুনেল (এন জি টি)না অয়েৎপা পীরকপদগী দিল্লি গভর্ণমেন্টনা ওদ-ইভন স্কিম চৎনহন্নবগী মতাংদা লৌখৎলম্বা থৌরাং অমা তোকখ্রে।

ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্টর কাইলাস গেহলোটনা হায়খি, এন জি টিনা কাংখোঙ অনী পানবা গাড়ী অমসুং নুপীশিংগী মতাংদা থল্লকখিবা কন্দি-সনশিং য়ানিংদবা মরম্না থৌরাং অসি লৌখৎতনবা ফিরেপ লৌখিবনি।

নুংশিৎ মোৎপগী চাং ৱাংখৎলক-পদগী দিল্লি গভর্ণমেন্টনা নবেম্বর ১৩ দগী ১৭ ফাওবা ওদ-ইভন স্কিম চৎনহন্নবা থৌরাং তৌখিবনি। অদুবু এন জি টিনা দিল্লি গভর্ণমেন্টকী থৌরাংদা অশোয়বা কয়ামরুম য়াওরে হায়না ফোঙদোকখি। এন জি টিনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না স্কিম অসিনা কোনশিল্লিবা থৌরাংশিংদা অশোয়বা য়াওবা মরম্না দিল্লিদা এয়র পোল্যুসন থোকপগী চাং হন্থহনবা ঙল্লোই।

অমরোমদা, দিল্লি গভর্ণমেন্টনা হেলিকোপ্টর সার্ভিস কম্পেনি পাৱন হন্স হেলিকোপ্টর সার্ভিস শীজিন্নরগা কা হেন্না শাবগী অৱাবা মায়োক্নরিবা দিল্লিদা নোংথক্তগী ঈশিং চাইথনবা থৌরাং লৌখৎলে হায়রি।

দিল্লিদা নুংশিৎ মোৎপগী চাং ৱাংখৎলকপদগী গভর্ণমেন্টনা নবেম্বর ১৩ দগী নবেম্বর ১৭ ফাওবা অমুক হন্না ওদ-ইভন স্কিম চৎনহল্লগনি হায়না লাউথোকখ্রবনি।

দিল্লিগী ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্টর কাইলাস গেহলোটনা হায়খি, ওদ-ইভন স্কিম চৎনহন্দুনা দিল্লিদা পোল্যুসন থোকপগী চাং হন্থহন্নবা হোৎনরগনি।

পোল্যুসনগী চাং কা হেন্না ৱাংখৎ-লকপদগী দিল্লিদা ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসিএসন (আই এম এ)না পব্লিক হেল্‌থ ইমর্জেন্সি লাউথোকপা লৈখ্রবনি। আই এম এনা স্কুলশিং থোঙ লোনশিনবগা লোয়ননা মীপূম খূদিংমক ময়ূম-ময়ূমদগী মপান থোরক্তনবা খঙহনখি।

দোক্টরশিংগী এসোসিএসন অসিনা দিল্লিগী চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালদা পীশিনখিবা অহৈবা চেরোল অমদা নবেম্বর ১৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা এয়রটেল দিল্লি হাল্ফ মরাথোন কেন্সেল তৌনবা তকশিনখি।

নুংশিৎ মোৎশিল্লকপগী চাং কা হেন্না ৱাংখৎলকপা মরম্না হাফ মরাথোন চেনবদা খূদোংচারোইদবনা থৌরম অসি য়ৈথোকপা মথৌ তাই হায়না আই এম এনা ফোঙদোকখি।

দিল্লিদা কা হেন্না লৈচিল-নোংফাই থাংবগা লোয়ননা নুংশিৎ মোৎপগী চাং কা হেন্না ৱাংখৎলকপা থেংনখি। উবা ঙম্বগী চাংসু অঙকপা ফংনা হন্থরকখি। নুংশিৎতা য়াওবা অমোৎপা অমসুং ঈশিং মনিল পূনশিল্লগা সীটিগী মফম অয়াম্বদা অমম্বা লৈচিল-নোংফাই থাংবদগী মীয়ামদা খূদোংচাদবা মায়োক্নহনখি।

চৈরকসিদা, এন জি টিনা স্কিম অসি মতম ঙনখৎনা মমাঙদা পাঙথোক-খিদবগী মরম খঙহল্লক্নবা দিল্লি গভর্ণমেন্টতা ফোঙদোকখ্রে। দিল্লি গভর্ণমেন্ট অমদি লেফটনেন্ট গভর্ণরগী অয়াবা য়াওরবা মতুংদা পায়খৎকদবা স্কিম অসি মাঙজৌননা পায়খৎলম্বা তারবদি দিল্লিদা হৌজিক মীয়াম্না নুংশিৎ মোৎপগী অৱাবা মায়োক্নরল্লোই হায়না এন জি টিনা ফোঙদোকখি।

# প্রদ্যুমান মীহাৎতা চেন্নবা মহৈরোয় ওবজার্ভেসন হোমদা থমখ্রে

ফরিদাবাদ, নবেম্বর ১১(এজেন্সী): র‍্যান ইন্টরনেসনল স্কুলগী মহৈরোয় প্রদ্যুমান হাৎখিবগা মরী লৈননা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই)না ফাখিবা মহৈরোয় অমা ফরিদাবাদ ওবজার্ভেসন হোমদা থমখ্রে। চহী নৌরিবা মীওই অদু নবেম্বর ২২ ফাওবা মফম অদুদা থমখিগনি হায়রি।

সী বি আইনা কেস অসি পায়খ্রবা মতুংদা মরাল লৈরে হায়রিবা মহৈরোয় অদুদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবা হৌখি।

অমরোমদা, মরাল লৈরে হায়না চিংনবগীদমক ফাখ্রবা মহৈরোয় অদুবু পুলিসনা তমথীনা ওৎ-নৈরে হায়না অঙাং অদুগী অপোকপনা মরাল শীখ্রে।

ইরাই নুমিৎতা সী বি আইনা মহৈরোয় অদুবু পুং ৭ চুপ্পা ৱাহং-পাউহং চথবদা মরাল লৈরম্বা য়াবগী খূদম ফংবা ঙমখি।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা সেপ্টেম্বর ৮ দা ক্লাস টু তম্বদা ঙাইরিবা মহৈরোয় প্রদ্যুমান থাকুরবু র‍্যান ইন্টরনেসনল স্কুলগী টৈইলেট মনাক্তা মঙক্তা থাঙনা লেন্দুনা হাৎলমখিবনি।

গুরুগ্রামগী র‍্যান ইন্টরনেসনল স্কুলদা প্রদ্যুমান থাকুর কৌবা ক্লাস টু তম্বদা ঙাইরিবা মহৈরোয় অমা হাৎখিবগী থৌদোক্তা মপূং ওইনা চেন্নবনি হায়বা মীওই অমা সী বি আইগী কষ্টদিদা নুমিৎ হুম্নিগী রিমান্দ পীখ্রবনি।

গুরুগ্রামগী জুভেনাইল জষ্টিশ কোর্টনা মশাগী চহী ১৬ লোম শুরবা মীওই অদু সী বি আইগী কষ্টদিদা নুমিৎ হুম্নি থম্নবা খঙহনখিবনি।

প্রদ্যুমান থাকুরগী ইমুং-মনুংগী মায়কৈদা লেপখিবা উকিল সুশিল টেক্রিৱালনা হায়খি, চেন্নবা মীওই অদু অহল অমা ওইনা লৌবগা লোয়ননা ট্রাইএল চথরগা থৌরী য়ান্দুনা শিবগী চৈরাক পীগদবনি।

প্রদ্যুমান থাকুর হাৎখিবগী থৌদোক্তা মপূং ওইনা চেন্নে হায়বগীদমক স্কুল অসিমক্তদা ক্লাস এলেভেন তম্লিবা মীওই অমা সী বি আইনা ফাখি। স্কুলগী এগজাম য়ৈথোকহন্নবগী পান্দমদা মহৈরোয় অদুনা প্রদ্যুমান হাৎখিবনি হায়রি।

মহৈরোয় অসিনা মশাগী চহী ৭ শুবদা ঙাইরিবা প্রদ্যুমান থাকুর হাৎখিবগী মতাংদা মরাল য়াজবা লৈখ্রবনি। হায়রিবা মীওই অসি সী বি আইনা সোহনা রোদতগী ফারগা নুমিৎ চুপ্পা ৱাহং-পাউহং চথবদা মশাগী মরাল য়াজখিবনি।

প্রদ্যুমান থাকুরবু মঙক্তা লেন্থৎলগা হাৎতোক্লম্বগী মতাংদা মীওই কয়ানা স্কুলগী কেম্পস মপান্দা খোঙজং চঙশিল্লকপা লৈখ্রবনি।

# দি জি থাক্কী ৱারী শানবদা পাকিষ্টাননা সিজ ফায়র থুগায়বগী ৱাফম পুখৎখ্রে



ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১১(এজেন্সী): বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ) অমসুং পাকিষ্টান রেঞ্জরসকী দিরেক্টের জেনরেল থাক্কী নুমিৎ হুম্নিগী ওইবা মীফমদা পাকিষ্টাননা ঙমখৈদা তোয়না সিজ ফায়র থুগায়বগী থৌওং চথবগী মতাংদা ইন্দিয়ানা ৱাফম কয়া পুখৎখ্রে।

নবেম্বর ৮ দগী ১০ ফাওবা পাঙথোকখিবা দি জি থাক্কী মীফমদা শরুক য়ানবগীদমক পাকিষ্টান রেঞ্জরসকী দিরেক্টর জেনরেল ওইরিবা মেজর জেনরেল মহমদ সাইদনা লুচিংবা মীওই ১৯ না শাবা মীহুৎ কাঙবু অমা ন্যু দিল্লিদা থুংলকখি।

ইন্দিয়াগী ওইনা বি এস এফকী দিরেক্টর জেনরেল কে কে শর্ম্মনা লুচিংবা মীওই ২৩ না শাবা মীহুৎ কাঙবু অমনা ৱারী শানবদা শরুক য়াখি। নাকল অনীমক্কী হোম মিনিষ্ট্রি, ফোরেন মিনিষ্ট্রি অমসুং নার্কোটিক্স কন্ট্রোল এন্দ সর্ভে দিপার্টমেন্টকী ওফিসল কয়াসু ৱারী শানবদা শরুক য়াখি।

নাকল অনীমক্না ঙমখৈদা ঈং-তপ্পা ফীভম লৈহন্নবা থৌরাং লৌখৎপা মথৌ তাই হায়না মীফম অদুদা ৱারেপ লৌখি। পাকিষ্টাননা ঙমখৈ ৱাংমদগী নোংমৈ কাপশিল্লকপগী থৌদোক তোয়না থোকখিবগী মতাংদা ইন্দিয়ানা ৱাফম কয়া পুখৎখিবা তারবসু নাকল অনীমক্না ইন্টরনেসনল বোর্দরদা কম্মান্দেন্ট থাক্কী মীফম পাঙথোক্নবগী মতাংদা য়ানবা পুরকখি।

চাইনা অমদি পাকিষ্টানগা লোন্নবা ইন্দিয়াগী ঙমখৈদা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলগনি হায়না আর্মি চীফ জেনরেল বিপিন রাৱটনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

মহাক্না হায়খি, জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সী) অমসুং চাইনাগা লোন্নবা ঙমখৈদা অনৌবা থৌরাং কয়া লৌখৎলগনি।

জেনরেল বিপিন রাৱটনা হন্দক্তা ইন্দিয়া অমদি চাইনাগী লান্মীশিং মুক্নখিবা সিক্কিমদা চত্তুনা ঙমখৈদা লৌখৎলিবা চেকশিন থৌরাংশিং য়েংশিল্লবা মতুংদা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী ঙমখৈ মনাক নক্না লৈরিবা মীয়ামগী খুদোংচা-নবগীদমক সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা ঙমখৈদা বঙ্কর কয়ামরুম শেমগৎনবা থৌরাং লৌখৎলগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

ইন্টরনেসনল বোর্দর অমসুং এল ও সীদগী কিলোমিটর ১০না কোনবা মফমদা বঙ্কর কয়ামরুম শেমগৎনবগী মতাংদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট অমসুং জম্মু এন্দ কাশ্মীর গভর্ণমেন্টনা য়ানবা পুরক্লে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

চীফ মিনিষ্টর মেহবুবা মুফতিনা হন্দক্তা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহগা উনদুনা ৱারী শানবদা বঙ্কর শেমগৎপগী মতাংদা য়ানবা পুরকখি-বনি। ঙমখৈ ৱাংমদগী পাকিষ্টান্না এটেক চথরকপা মতমদা ঙমখৈ মনাক নক্না লৈরিবা মীওইশিং খুদোংথিবা থোক্তনবগীদমক বঙ্কর মনুংদা চঙলগা লৈহনগনি। হৌখিবা চয়োল কয়ামরুম পাকিষ্টান্না মীচম তাবা মফমদা তোয়না এটেক চথরকপদগী অনৌবা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি হায়রি।

# 'অরুনাচল প্রদেশ ইন্দিয়াগী শরুক অমনি'

গান্ধীনগর, নবেম্বর ১১(এজেন্সী): অরুনাচল প্রদেশপু ইন্দিয়াগী তৎন-থানবা য়াদ্রবা শরুক অমনি হায়না দিফেন্স মিনিষ্টর নির্মালা সিতারামননা ফোঙদোকখ্রে। দিফেন্স মিনিষ্টরগী অরুনাচল প্রদেশ খোঙচৎপু চাইনানা অথিংবা পীরকখ্রবা মতুংদা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

নবেম্বর ৫ দা সিতারামননা অরুনাচল প্রদেশকী ফোরৱার্দ আর্মি পোষ্ট অমদা চৎতুনা লাইন ওফ একচ্যুএল কন্ট্রোল (এল এ সী)দা লান্মীশিংনা লৌখৎলিবা চেকশিন থৌরাংশিং কুপ্না য়েংশিনখি। থংনবা নুমিৎতা চাইনানা সিতারামনগী খোঙচৎ অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক-খিবগা লোয়ননা সাউথ টিবেটকী শরুক অমা ওইরিবা অরুনাচল প্রদেশতা ইন্দিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্টর চঙলকপনা য়ূমলোন্নবা লৈবাক অনীগী মরক্তা থোকহন্নীংদবা থৌদোক থোরকপা য়াই হায়না ফোঙদোকখি।

সিতারামননা চাইনাগা লোন্নবা অরুনাচল প্রদেশকী অঞ্জো দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা আর্মিগী পোষ্ট অমদা চৎতুনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগী থৌওংশিং য়েংশিনখিবনি।

হীরম অসিগী মতাংদা চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সপার্সন হুৱা চুনয়িংনা পাউমীশিংদা হায়খি, ইন্দিয়া অমসুং চাইনাগী ঙমখৈদা লৈবা য়েৎনরিবা মফমদা ইন্দিয়ন দিফেন্স মিনিষ্টরনা লাকখিবগী থৌওং অদুনা ঈং-তপ্পা পুরক্নবা হোৎনবদা অকায়বা থোকহল্লগনি। নাকল অনীনা ঈং তপ্পা ৱারী শানদুনা য়ানবা পুরক্নবা হোৎনবগী মহুৎতা অমনা অমদা কায়হৌবগী থৌওং চথরোইদবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। য়েৎনরিবা মফম অসিগী মতাংদা নাকল অনীনা কয়ারক হন্না ৱারী শানখ্রবসু হৌজিক ফাওবা য়ানবা পুরকপা ঙমদ্রি।

SECOND SATURDAY & SUNDAY

LIVE ₹ 110 (Wholesale)

DRESSED CHICKEN

₹ 150/- per Kg.

YUMSHA CHICKEN
Keishampat

HL-P/082/11&12

CAS Foundation

An Institute collaborated with ENRICHMENT, New Delhi

ADMISSSION OPEN

REVISION COURSE

CLASS XII & CLASS X



Classes commencing from 16th Nov. 2017

Morning / Evening Batches, Hostel for BOYS & GIRLS available

For Detail :CAS, Office, Main Building, Keishampat Junction ( Office Hour -5.00 am - 7.30 pm)

HL-B/4181/25Oct-22Dec (Alt)

LUCKY DRAW WINNER লাউথোকচবা

ঙরাং তাং ১১/১১/২০১৭ ইং, অনীশুবা থাংজ নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ (তরামাথোই) তাবা মতমদা কুকি ইনদা **All Manipur Govt. Driver's & Technician Association** গী **Lucky Draw Lottery** পাঙথোকখ্রে। হায়রিবা **Lucky Draw** অসিদা **Winner** শিংগী নম্বর মখাদা পীজরি।

মদুদি - ***Winner***


**1st Prize - no. 779 (Seven, Seven, Nine)**
**2nd Prize - no. 604 (Six, Zero, Four)**
**3rd Prize - no. 482 (Four, Eight, Two)**
**4th Prize Last 2 digits no. 99 (Nine, Nine)**
**For- 10 (Ten) tickets.**

Winner ওইবীরবশিংনা MSPCL (Electricity) Deptt. Keishampat তা লৈবা Driver's room দা নুমিৎ ১৫ (তরামঙা) নি ফাওবগী মনুংদা রিপোর্ট তৌবীয়ু।

*Sd/-* **Secy. General**
A.M.G.D& Tech. Assn.

HL-P/4729/12

/থাগৎচবা



*ইপুধৌ লাইশ্রম মমতা চনু*

চৎলিবা কুমজা ২০১৭ কী জুন ৯, ইঙাগী থানিন, ইরাই নুমিৎতা শাফোংখ্রবা তাঞ্জেং খুমন ইপুধৌগীদমক শাফোংদ্রিঙৈদা, শাফোংবা নুমিৎতা, শাফোংলবা মতুংদা মখল মথেলগী তেংবাংবিরকখিবশিং খ্বাই পুম্নমকপু ইপুধৌ লাইশ্রম মমতা চনুনা হন্না হন্না থাগৎচরি। মশুনুপা থোকপা রোবিন (মঙাল), কোনসম মংলেম মঙাং (ইপুধৌ খুমনগী পুয়াসু পায়বা), মাগী ইমুং-মনুং; থাংজম ইবেচা, বি ও দি, উমাকান্তা, তাঞ্জেং খুমন ইপুধৌগী শঙলেন শারিবা লম কৎপিবা য়ুম্নাম গম্ভির, মাগী ইমুং-মনুং; নবকিশ্বর, মাগী ইমুং-মনুং; দেবেন, মাগী ইমুং-মনুং; তাঞ্জেং খুনগী মীপুম খুদিংমক, ক্ষেত্রিময়ুম ওংবী লন্দোনী, শিংজমৈ ওক্রম লৈকায়দগী নিংথৌজম বিবি চনু (ইপুধৌগী নুংতিগী থৌগল্লোই ওইরিবী), অপোকপী, মবুংশিং, মনম্মশিং, ককৱা লিলান্দোদা লৈবা/লৈবীশিং, অনকপা-অরাপ্পদগী লেংবিরক্তুনা থৌরম য়াওরিবশিং, শাফোংবা নুমিৎতা ইপুধৌগী থৌরমদা অচৌবা থৌদাং লৌবিখিবশিং - ওজা রঞ্জিৎ (অমাইবা/মাইচৌ), কাঙভুজম ওংবী জামিনী (অমাইবী), ভাগর (পেনা খোংবা), পিঙ্কি সাইখোম (জগোই খুৎথেক কৎখিবী- উরিপোক খোইস্নাম লৈকায়), বেন্দ পার্টি, মাইক অমদি ম্যুজিক্কী শীনবী- লাংবিবশিং, ইপুধৌ মমতা চনুগী পোকমিন্নবী মচেশিং-মচা-মশুশিং অমসুং পাবুং সোরাম ইবোহল লুৱাং (লৈবাক মীয়ামদা ইপুধৌ খুমনগী মরমদা পাউদমবিবা), লাইগী মশক ওইবা হিয়াং হিরেন অমদি নৌশাবদা থৌদাং য়াবিখিবশিং অমদি মীং পনবদা ৱাৎহৌবা চিথ্-নান্থহৌবশিং- ময়াম পুম্নমকপ অমুক্কা হন্না থাগৎচবগা লোয়না তাঞ্জেং খুমন ইপুধৌনা খুদিংমকপু থৌজাল ললকুবিবা ওইরসনু।

*থাগৎচরিবী ঃ ইপুধৌ লাইশ্রম মমতা চনু, ককৱা লিলান্দো লম্পাক মমাং*

HL-P/084/12

/HOME TUTOR

Imphal ময়োলদগী 5 km ফাওবগী অকোয়বদা লৈবা Class I দগী X ফাওবগী মহৈরোয়শিংগী অমদি Class X appear তৌগদবা মহৈরোয়শিংগী Parent শিংনা Home Tutor Contact তৌবীরকপা য়াগনি।

HL-P/086/12 **Contact : ☎ 8014620589**

/ WALLET LOST

I have lost my Wallet containing ATM Card of SBI, PAN Card (AEJPH3876G), Aadhaar Card, Voter Identity Card, Driving Licence, Memory Card (8 GB) and 5 Passport photos, on the way from Uripok Flyoverbridge to Brilliance School, Uripok on 09/11/2017. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

*Sd/-* **Khangembam Hemachandra**
Sagolband Tera Khuraijam Leirak
**☎ 8731854579 / 8731087614**

HL-P/083/12

FREE HEALTH CAMP

OPERATION তৌবীয়ু - 99%
COMPULSORY WITH GUARANTEE

**মফম :** PHC Centre (Layengshang Nature Cure)M. Near Imphal Urban Co-operative Bank, Singjamei Branch, Singjamei Bazar; Dt. 17, 18 & 19/11/2017 at 9 am to 1 pm. NATURE CURE গী হিদাক 7 days free; **লায়না:** Stone (গোলব্লেডর, কিডনিগী) তুমহনবা, নুংশঙ, ফিঙৌ, ফুরি, এলর্জি, চিকপা-নবা, অঙাং মশা শাগৎপা, য়াং চিংবা, থাগী খোঙকাপ, খোম থোক্তবা, সাইনস-তোন্সিলনচিংবা অনাবশিং; dt. 13, 14 & 15/11/2017 at 9 am to 1 pm ফাওবগী মনুংদা মীং চনবীয়ু।

*পাউজেঞ্জরিবাঃ* **Programe Manager incharge, PHCCentre (LNC) M. Phone no. 9862739714. Near Imphal Urban Co-operative Bank, Singjamei Branch, Singjamei Bazar.**

HL-P/3033/12

STAFF RECRUITMENT

Govt. of Manipur
Regd. No. 14/006/21/06926

| | | | |
|---|---|---|---|
| **DIRECT JOIN MICROFINANCE** | | | |
| 1. Reception, Computer Operator | 15 | X-Above | 4,500 - Above |
| 2. Field Officer, Loan Collector | 27 | X-Above | 5,000 - Above |
| 3. Cashier, Accountant | 8 | XII | 7,000 - Above |
| 4. Field Manager, Asst. Manager | 10 | Grad. | 10,000 - 15,000 |
| **DISTRICT WISE VACANCY OF BANKING STAFF** | | | |
| 1. Account Sales Officer, Loan Officer, BDE | 26 | XII-Above | 12,000 - Above |
| 2. Operational Staff, sitting staff | 32 | Grad. | 18,000 - Above |
| 3. Relationship Manager, Sales Manager | 13 | Grad. | 20,000 - Above |
| **RESTAURANT, HOSPITAL, SCHOOL & OFFICE STAFF** | | | |
| 1. Nurse, Lab. Technician | 27 | —— | 4,500 - Above |
| 2. Waiter, Waitress | 15 | X-Above | 4,000 - Above |
| 3. Peon, Cook, Chowkidar | 20 | VIII | 5,000 - Above |
| 4. Data Entry, Attendant | 17 | X-Above | 5,000 - Above |
| 5. Driver, Grass cutter | 25 | VIII | 5,500 - Above |
| 6. Gunman, Supervisor | 15 | VIII | 8,000 - Above |
| 7. Security, Helper | 35 | VIII | 5,000 - Above |
| **VARIOUS POST VACANCY FOR AIRPORT** | | | |
| 1. Flight Attendant, Cabin Crew | 12 | XII | 45,000 - Above |
| 2. Cargo Executive, CSA | 18 | Grad. | 18,000 - Above |
| 3. Airport Plaza Staff, Retailer | 27 | X-Above | 15,000 - Above |
| 4. Ground Staff, VIP Lauge | 30 | XII | 12,000 - Above |
| 5. Air Ticketing, Air Anouncer | 31 | XII | 13,000 - Above |
| 6. Loader, Cleaner | 45 | XII | 8,000 - Above |

***JOB AT HOME earn upto 10,000 to 25,000/- per month. (Housewife, Student, Employed, Unemployed can also apply).***

**Interview Date : 25/11/2017 Last Submission : 24/11/2017**

**☎ 9774487357**
**☎ 8575340288**

**RIVALRY GUIDANCE CENTRE**
**Sagolband Thangapat Mapal**

HL-P/079/12,14,16,18,20,21,22

OFFICE OF THE PRINCIPAL
STANDARD COLLEGE, KONGBA, IMPHAL EAST
ELECTION NOTICE

**Dated, the 10th November, 2017**

**NO:SC/02/Elect-GB)/16:** It is hereby informed to all the Guardians of the students of the college who are desirous of contesting election for 1 (one) guardian representative for the constitution of a new Governing Body of the college that the programme given below shall be followed for the election.

**PROGRAMME**

1. Publication of Guardian List/Electoral roll — 13/11/2017
2. Verification and rectification of complain by Guardians in respect of voters within three days from the date of publication — 15/11/2017
3. Final publication of electoral roll — 16/11/2017
4. Issue and receipt of nomination paper — 18/11/2017 to 20/11/2017
5. Scrutiny — 22/11/2017 (at 11 am)
6. Withdrawal of candidature — 24/11/2017 (up-to 1 pm)
7. Date of poll — 26/11/2017 (9 am to 12 noon)
8. Counting of votes — 26/11/2017 (at 1 pm onwards)
9. Declaration of result — 26/11/2017

*Sd/-* **PRINCIPAL/R.O**
**Guardian's Representative Election**
**Standard College, Kongba**

HL-P/3033/12

য়ুম য়াওবা ইঙ্খোল অমা য়োঞ্জরি

থাংমৈবন্দ য়ুম্নাম লৈকায়, এসেম্ব্লী মনিং লৈরক্কা তায়নবদা লৈবা য়ুম মথক্তি শাগৎত্রিবা অনানবা লৈনবা য়ারবা য়ুমগা কোন্ননবা ইঙ্খোল অমা য়োঞ্জরি। ফিট ৫৫ শাংবা, ফিট ২২ পাকপা, সড়ক্কা তায়ননা লৈবা ইঙ্খোলনি। পাম্বীবশিংনা কন্টেক নম্বর অসিদা পাউ ফাওবীরকপা য়াগনি।

HL-P/4728/12 **Pliz Contact : ☎ 9612094435**